# নাটোগী মেম্বর টর্কিনা রশিয়াগী মিসাইল ডিফেন্স সিষ্টেম লৈনবা হোৎনবদা য়ু এসনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে



অঙ্কারা, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
টর্কিনা রশিয়াদগী এস-৪০০ এয়র ডিফেন্স সিষ্টেম লৈনবগী দীল অমা য়ানবদা নোংচুপলোমগী লৈপাকশিংনা নুংনাংবগী মওং টর্কিগী প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং নাটোগী মেম্বর ওইজরবসু মহাক্কী লৈবাক্না মশাগী সিক্যুরিটি য়েংশিঞ্জগনি হায়খ্রে।

ঐখোয়না এস-৪০০ গী এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনবদা মখোয় ঙাওখৎলক্লে। কনাবু ঐখোয়না ঙাইফম থোকপগে, সিক্যুরিটিগী মতাংদা ঐখোয়না ঐখোয়গী তঙাইফদবশিং য়েংশিঞ্জরগা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না ইর্দোগননা হায়খি।

রশিয়ন মিসাইল সিষ্টেম অদু নাটোগী সিষ্টেমদা পূনশিনবা য়ারোইদবা ওইবনা নোংচুপলোমগী গভর্নমেন্টশিংনা দীল অদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা টর্কিনা হায়রি মদুদি, অতোপ্পা মিসাইল সিষ্টেম অমা য়েংবা মতমদা নাটোগী মীচংশিংনা মমলগী মতাংদা চৎনবা য়াগদবা মওং অমৎতা উৎতে।

ইর্দোগননা হৌখিবা জুলাই থাদা ফোঙদোকখিবদা দীল অদু সাইন তৌনখ্রে তৌইগুম্বসুং ফন্দিংগা মরী লৈনবা ৱাফম খরগী মতাংদা মতম শাংদোরকপনি। টর্কিশ মিদিয়ানা চয়োল অসিদা ইর্দোগনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মহাক অমসুং রশিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা এগ্রীমেন্ট অদু মখা চথবা হায়না য়ানরে।

টর্কিগা নাটোগী মীচংশিংগা মরুওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং জর্মনিগা হেক হেক মুক্কবগী ফিভম লাকখিবা তুংদা অঙ্কারানা রশিয়ন সিষ্টেম লৈনবগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি। সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চঙশিনবা লাঞ্জংদা য়ু এসনা ৱাই পি জি কর্দিশ ফাইটরশিং শৌগৎপনা টর্কিবু শাওহনখি। দীল অদুগী মতাংদা টর্কিদা নুংনাংবা উৎখ্রে হায়না পেন্টাগোননা ফোঙদোকখি।

এস-৪০০ লৈনবা হোৎনবগী মতাংদা ঐখোয়দা নুংঙাইতবা পোল্লিবদু টর্কিশ ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে। নাটোগী ইন্টরোপেরেবল মিসাইল ডিফেন্স সিষ্টেমনা টর্কিবু কিহল্লকপা পূম্নমক্তগী ঙাকথোকপা ঙমগদবা খ্বাইদগী ফবা ওপসননি হায়না পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন জোনি মাইকলগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

# অল কাইদানা রোহিংয়াশিংদা মিলিটরি তেংবাং পীনবা অপীল তৌখ্রে



য়াঙ্গোন, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারগী ইথনিক মাইনোরিটি রোহিংয়াশিংবু শৌগৎলদুনা অল কাইদানা মালেমগী মুস্লিমশিংদা মখোয়গী ফেলো মুস্লিমশিংবু মিলিটরি তেংবাংগা লোয়নননা শৌগৎনবা অপীল তৌখ্রে হায়না রোইটর্জনা গ্রুপ অদুগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা হায়রি।

অল কাইদাগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারদুনা ম্যান্মার গভর্নমেন্টসু মসিগী ক্রাইমশিংগীদমক্তা চৈরাক ফংগনি হায়খি। 'ম্যান্মারদা হাৎপ-তুপ্পগী ঈরাং হৌখিবদগী রোহিংয়া ৪০০,০০০ রোম লৈবাক অসিদগী বাংলাদেশতা চেনশিনখ্রে।'

অসিগুম্বা মীওৎ-মীনৈ অসি লেপহন্নবা ঐখোয়না বাংলাদেশ, ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমসুং ফিলিপিন্সতা লৈরিবা মুজাহিদ ইচিল ইনাও খূদিংমক্তা মখোয়গী মুস্লিম মচিন-মনাওশিংবু মতেং পাংনবা বর্মাদা চৎনবা অমসুং ট্রেনিং পীবগুম্বা তঙাইফদবশিং শেম-শানবা অপীল তৌরি হায়না গ্রুপ অদুগী ৱারোল পল্লদুনা রোইটর্জনা হায়খি।

রোহিংয়া লালহৌবশিংনা নিংথীনা শীন্দুনা পুলিস অমসুং আর্মি পোষ্টশিংদা এটেক কয়া চথখিবদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী লমন খুম্বগী অকনবা কেম্পেইন অমা হৌখিবা মতুং হৌখিবা ওগষ্টতগী ম্যান্মারদা ঈরাং খংকন-কনশিনখি। টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কেম্পেইন অমা চথরি হায়না লাউথোকখিবা ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা মীয়ামদা চেকশিনৱা পীরদুনা সিটিশিংদা বোম এটেক কয়া চথরকপা য়াই হায়খ্রে।

ঐখোয়গী মুস্লিম ইচিল-ইনাওশিংদা তমথীবা থৌওং কয়া চথরিবসি চৈরাক ফংহন্দনা তোক্লোই। মুস্লিম ইচিন-ইনাওশিংনা তংখিবা মহাও অদু ম্যান্মার গভর্নমেন্টবুসু তংহনগনি হায়না ইস্লামিষ্ট আউটফিট অসিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, ম্যান্মারগী নেস্নেল লীদর ওং সান সু চিগী স্পোক্সপর্সননা লূচিংবী অসি ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি সেসনদা য়াওররোই হায়না ফোঙদোকখ্রে। নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবী লূচিংবী অসিদা ঈরাং অদু লোইশিন্নবা মালেমগী লীদরশিংনা প্রেসর পীরিবনি। ইসূ অদুগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিনবা অমসুং ঈরাং লোইশিনহন্দবগীদমকসু মহাকপু ক্রিটিসাইজ তৌখি।

ষ্টেট কাউন্সেলর য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিগী মীফমদা য়াওররোই হায়না মহাক্কী স্পোক্সপর্সন ওং সিননা ফোঙদোকখি। মহাক ক্রিটিসিজম মায়োক্নবা অমসুং প্রোব্লেমশিং থেংনবদা অমুক্তা অকিবা লৈখিদে। মহাক লৈবাক্কী ওইবা হেন্না লুবা প্রোব্লেম খরা লৈবদগী মীফমদুদা য়াওবা চৎপা ঙমদবা ওইবা য়াই হায়না সিননা মখা তাখি।

# রোহিংয়াগা মরী লৈনবা য়ু এন রাইটস চীফকী ৱাফম ইন্দিয়ানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
রোহিংয়া রিফ্যুজীশিং তান্থোকখিনবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগীদমক্তা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টবু য়ু এনগী হ্যুমেন রাইটসকী টোপ এনভোইনা অকনবা মওংদা ক্রিটিসাইজ তৌখিবা মতুং নোংমা কান্নরগা লৈপাকপোকপা নুমিৎতা জিনিভাদা লৈরিবা ইন্দিয়ন এনভোইনা হায়খ্রে মদুদি, ন্যু দিল্লিনা লুনা লৌরিবদি লোনা য়াদনা চঙলকখিবা মাইগ্রেন্টশিংনা সিক্যুরিটিগী শীংনবা কয়া থোকহল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈরিবদুনি অমসুং তঙাইফদবা লো খরা চৎনহনবদা মীনুংশি ৱাৎপগী থৌওংনি হায়না লান্না লৌরোইদবনি।

য়ু এন হ্যুমেন রাইটসকী মকোক থোংবা এনভোই জৈইদ রাদ অল হুশৈইননা পীখিবা কম্মেন্টশিংদুগী মতাংদা জিনিভাদা লৈবা ইন্দিয়ন এনভোইনা হায়খি মদুদি খন্দোকপা অমসুং চপ চানা চুমদবা পাউ খরদা য়ূস্ফম ওইরগা পীনিংবা জজমেন্টশিং পীবনা সোসাইটি অমগী হ্যুমেন রাইটসকী মরমদা হেন্না খঙহনবা ঙল্লোই।

য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৩৬ শুবা সেসনদা য়ু এন হাই কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটসনা পীখিবা ওরেল অপদেটকী পাউখুম ওইনা জিনিভাদা য়ু এনদা থাবা ইন্দিয়াগী পর্মনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ রাজিভ কে চান্দরনা হায়খি, হাই কম্মিস্নরনা মহাক্কী চিলহায়গী অপদেটতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম খরনা ঐখোয়বু চমম্নহল্লে। শীংনবা ফিভম কয়াগী মখাদা শেমখিবা নিংথীনা মথৌ তৌবা ডিমোক্রেসি অমদা ফংহল্লিবা অমসুং চৎনরিবা মনীং-মখা তম্বগী থৌদৌশিং অমসুং হকশিংবু মমুৎ তানা খঙবা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলে। খন্দোকপা অমসুং চুমদবা পাউদা য়ূস্ফম ওইরগা পীনিংবা জজমেন্টশিং পীবনা সোসাইটি অমগী হ্যুমেন রাইটসকী মরমদা মপূং ফানা খঙনবা হোৎনবদা মতেং পাংলোই।

অতৈ লৈবাক কয়াগুম্না ইন্দিয়াসু লোনা য়াদনা চঙশিল্লকপা মাইগ্রেন্টশিংগী মতাংদা চিংনবা অমসুং অকিবা লৈ। মরুওইনা মখোয়না সিক্যুরিটিগী শীংনবা কয়া থোকহল্লকপা য়াবগী মওং লৈবসিদা লৈবাক অসিনা অকিবা পোকই। তঙাইফদবা লোশিং নমদুনা চৎনহনববু মীনুংশি ৱাৎপনি হায়না লৌরোইদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# য়ু এননা অনৌবা অথিংবা কয়া থমখ্রবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা খুৎলাই প্রোগ্রামশিং য়াঙশিল্লগনি হায়খ্রে

সিওল, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী 'ফৎত্রবা' অথিংবশিংগী পাউখুম ওইনা খুৎলাই প্রোগ্রামশিং য়াঙশিল্লগনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা অমসুং খ্বাইদগী মতিক-ময়ায় লৈবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েংগী মতুংদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা লৈবাক অসিগী মথক্তা অহেনবা অথিংবা কয়া থমখিবনি।

পিয়োংয়াংনা মিসাইল অমদা হাপচিনবা য়াগদবা মওংদা পিকহল্লবা হাইড্রোজেন বোম অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা ডিভাইস অদু পোকখায়বদা থোকখিবা য়িল্ড অদু কিলোটোন ২৫০ রোম ওইদুনা কুমজা ১৯৪৫ দা হিরোসিমাবু মাঙহন-তাকহনখিবা ডিভাইস অদুদগী শরুক ১৬ হেনখি হায়না য়ু এসতা বেজ ওইবা ৩৮ নোর্থ ৱেবসাইটনা হায়খি।

পিয়োংয়াংগী তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র ব্লাষ্ট ওইরিবা ডিটোনেসন অদুবু মালেম পূম্বনা কন্দেম তৌনখি। হৌখিবা জুলাই থাদা য়ু এসকী অয়াম্বা শরুক য়ৌবা ঙম্বনি হায়না থাজনখিবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অনী চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা ডিভাইস অদু পোকখায়হনখিবনি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থকী মথক্তা মোত অমতা ওইনা নিপানলকশুবা অথিংবশিং থমখি। মদুনা নোর্থ কোরিয়াগী টেক্সটাইলগী ট্রেদিং থিংজিনখি। লৈবাক অসিদা থাউ পুশিনবদসু পনখৈ কয়া থমখি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফিভমগী মতুং ইন্না মখা তাবা অকনবা খোঙথাং কয়াসু নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা লৌখৎলকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনা অমসুং রশিয়ানসু শৌগৎহন্নবা হোৎনরদুনা ৱাশিংটননা ওরিজিনেল প্রপোজল খরা কোমথোক্লবা মতুংদা পাস তৌখিবা রিজোল্যুসন অদু আই সি বি এম লোঞ্চ অদুগী পাউখুম ওইনা কোল, মিশি অমসুং সীফূদ থাদোকপা কাউন্সিলনা থিংখিবা মতুং থা অমখক কান্নখি।

নোর্থকী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা অনৌবা অথিংবশিং অদু খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়নননা মদু য়ু এসনা শিনবা মপূং ফারবা ইকনোমিক ব্লোকেদ অমনি অমসুং মদুগী পান্দমদি লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্ট অমসুং মীয়াম্বু শ্বর ফুলহন্দনা হাৎপনি হায়খি।

মদু য়ু এসনা শিল-লাংলগা পুথোরকপা লোনা য়াদবা অমসুং ফৎত্রবা সেঙ্কসনশিংগী রিজোল্যুসন অমনি হায়না ওফিসল কে সি এন এন ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙখিবা নোর্থকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

লৈবাক্কী সোভরন্টি অমসুং হিংজনবগী হক কঞ্জনবগীদমক্তা ডি পি আর কেনা মসিগী পাঙ্গল হেনগৎনবা হোৎনবশিং শরুক অনী হেনগৎলগনি হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

# পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা নৱাজ শরিফকী অপীলগী হিয়রিং হৌখ্রে

*ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :*
*হৌখিবা জুলাই থাদা ডিসক্কালিফাইদ তৌখিবা মফম তাখ্রবা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা মহাক্কী ডিসক্কালিফিকেসন অদুগী মায়োক্তা থাখিবা অপীলগী হিয়রিং পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হৌখ্রে। ডিসক্কালিফাই তৌবদুনা মরম ওইদুনা নৱাজ শরিফ প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখি তৌইগুম্বসুং মহাক্না কোর্টকী ৱারেপ অদুবুদি শীংনখি।*

*জষ্টিস অসিফ সায়ীদ খোসানা লূচিংবা মেম্বর মঙাগী বেঞ্চ অমগী জজ মঙানা মোত অমৎতা ওইনা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরদুবু ডিসক্কালিফাইদ তৌখি।*

*শরিফকী লোয়র খ্বাজা হরিসনা মহাক্কী অহানবা আর্গুমেন্টশিংদা হায়খি, শরিফপু ডিসক্কালিফাই তৌখিবদু থোইদোক্লা মরুওইদে হায়না লৌবা য়াবা মহাক্কী মচাগী দুবাইদা লৈবা কম্পনি এফ জেদ ঈ কেপিটেলদগী লৌফম থোকপা তৌইগুম্বসুং মহাক্না ক্লেম তৌদবা মহাক্কী তোলোপ উৎথোক্তে হায়বগীদমক্তনি। তৌইগুম্বসুং কোর্টনদি শরিফনা কম্পনি অদুগী বোর্দ ওফ ডিরেক্টর্সকী চ্যেরমেননি হায়না ওবজর্ভ তৌখি।*

*মেম্বর মঙাগী বেঞ্চ অদুগী জজ অনীনা শরিফপু ডিসক্কালিফাই তৌখিবদু কোর্টতা মহাক্কী এসেটশিংগী চে-চাংশিং পীশিনবা ঙমখিদবদগীনি হায়না লাউথোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং বেঞ্চ অদুগী অতৈ জজ অহুম্না ৱাফম অদুগী মতাংদা জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম অমবু থিজিনহন্নবা ওর্দর তৌখি। জে আই টিগী রিপোর্ট য়েংশিল্লবা মতুংদা কোর্ট অদুনা জুলাই ২৮ দা মোত অমৎতা ওইবা ৫-০ গী জজমেন্ট অমা পীরদুনা শরিফপু অচুম্বা তৌদে অমসুং পুকচেল শেংদে হায়না লাউথোকখি। মদুগী তুংদা মহাক মফম থাদোকখি।*

*কোর্টনা শরিফ অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মায়োক্তা করপসনগী কেসশিং লৌখৎনবসু ওর্দর তৌখি। পাকিষ্টানগী টোপ এন্টি-করপসন বোদি নেস্নেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরোনা শরিফ অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগী মায়োক্তা একাউন্টেবিলিটি কোর্টশিংদা করপসন কেস মরি থাঙ্গৎখি। এপেক্স কোর্টনা নাবতা কেসশিংদু থা তরুক্কী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিন্নবসু খঙহনখি অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমনা মদুগী প্রোগ্রাম য়েংশিনগনি হায়খি।*

*লন্দনদা হৌজিক থ্রোট কেন্সরগী সর্জরি চথরিবা নৱাজ শরিফকী লোয়নবী কুলসূম নৱাজ নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাক্কী সিটকী বাই-ইলেক্সনদা কন্টেষ্ট তৌগদৌরিবনি।*

# চাইনা, রশিয়ানা নোর্থ কোরিয়াগী রেজিম হোংহল্লোই : এক্সপার্ট



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
চাইনা অমসুং রশিয়ানা য়ু এসপু অথিংবা কয়া থল্লগা নোর্থ কোরিয়ন ডিক্টেটর কিম জোং-উনগী রেজিম চিংথুহনবা তৌরোই মরমদি মদুনা মখোয়গী নেস্নেল ইন্টরেষ্টশিংদা শোকহনগনি অমসুং রিজনেল ষ্ট্রেটেজিক ইন্টরেষ্ট কায়হনগনি হায়না চাইনিজ এক্সপার্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না কনবা অথিংবা কয়া থল্লিবা য়ু এসনা ড্রাফট তৌবা রিজোল্যুসন অমা মোত অমৎতা ওইনা পাস তৌখি। মালেমদগী তোঙান তারবা লৈবাক অদুগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম লাকশিন্নবগী পান্দমদা পাস তৌখিবা য়ু এসনা ড্রাফট তৌবা রিজোল্যুসন অদুদা য়াওরিবা অথিংবশিংগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াদা থাউ পীশিনবদা পনখৈশিং থন্বা অমসুং টেক্সটাইল এক্সপোর্টশিং থিংবা য়াওরি।

য়ু এস অমসুং মসিগী মীচংশিং ওইরিবা জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা নোর্থ কোরিয়াবু ইকনোমিক অমসুং মিলিটরি প্রেসর পীদুনা শ্বর হোনবা ঙল্লরোই অমসুং মসিগী রেজিমসু হোংলগনি হায়না থাজরি, তৌইগুম্বসুং মসি ওইথোক্লোই মরমদি মসিনা মখোয়গী নেস্নেল ইন্টরেষ্টশিংদা শোকহনগদবনা চাইনা অমসুং রশিয়ানা মসি য়ারোই হায়না লিয়াওনিং একাদেমি ওফ সোসল সাইন্সেসতগা কোরিয়ন ষ্টদিজগী চাইনিজ এক্সপার্ট লু চাওগী ৱারোল পল্লদুনা গ্লোবল টাইমসনা হায়খি।

চাইনা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী বোর্দরদগী লাকপা পাউ খরগী মতুং ইন্না, অরাকপা ফিভম খূদিংমক থেংননবা চাইনানা য়াম্লবা ট্রুপশিং পৈশিনখ্রে অমসুং তোঙান তোঙানবা ফিভমশিংদা এক্সরসাইজ কয়া পাঙথোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র টেষ্টশিংদা নুংনাংবা খরা লৈদুনসু চাইনানা লৈবাক অসিবু বফর ষ্টেট অমসুং য়াম্না নকশিন্নবা মীচং অমনি হায়না লৌই।

নোর্থ কোরিয়াদা থাউ থাদোকপগী চাং চাদা ৪০ রোম হন্থরগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী ইনর্জি সপ্লাইদা চাউনা অকাইবা থোকহল্লগনি হায়না লুনা নোর্থকী হাইড্রোজেন বোম চাংয়েংগী মতুংদা য়ু এননা লৈবাক অসিগী মথক্তা থমখিবা অনৌবা অথিংবশিংদা রিয়েক্ট তৌরদুনা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী শুংদোক্ত্রিবা থাউ অপূম্বগী চাদা ৯০ সপ্লাই তৌরিবা থাউগী পাইপলাইন অমদি পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা য়ু এননা থল্লিবা খ্বাইদগী নৌবা অথিংবশিংদুদা য়াওহনখিদে। মসিগী মরুওইবা মরমদি মদুবু চাইনানা অমুক্তং থিংজিনখিবা মতমদা অমুক হন্না লাইনা হাংদোকপা য়ারোইদবগী ফিভম লৈবননি হায়না হোং-কোংদা বেজ ওইবা সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টনা ঙসি ফোঙদোকখি।

লৈবাক অনী শম্নরিবা দানদোং-সিলুইজি পাইপলাইন অদুনা চহীদা নোর্থ কোরিয়াদা শুংদোক্ত্রিবা থাউ টন মিলিয়ন তঙ্খায়দগী হেন্না সপ্লাই তৌই হায়রি।

# প্রো-বিয়াফ্রাগা আর্মিগা খুৎ থোক্লবদগী সাউথ ইষ্ট নাইজিরিয়াদা নুমিৎ হুমনি কর্ফিয়ু থমখ্রে

লালোস, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
প্রো-বিয়াফ্রা সপোর্টরশিং অমসুং মিলিটরিগী মরক্তা টেন্সন হেনগৎলকপদগী সাউথ ইষ্ট নাইজিরিয়াদা নুমিৎ হুম্নি নুমিদাংৱাইরমদগী নোংঙানবা ফাওবা কর্ফিয়ু থমখ্রে।

নুমিদাংৱাইগী মতম পূং ৬ তগী অয়ুক্কী পূং ৬ ফাওবগী কর্ফিয়ু অদু অবিয়া ষ্টেটকী গভর্নরনা লৈবাক-পোকপগী অথেংবদা লাউথোকখি। মহাক্না মীয়ামদা য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং নৎত্রগা মিলিটরিগা মুক্কবগী থৌওং অমৎতা চথদনবা অপীল তৌখি। কর্ফিয়ু অদু ইরাই নুমিৎ ফাওবা চৎনগনি।

হন্দক নুমিৎ খরা অসিদা মশিং য়াম্বা ইগবো ইথনিক গ্রুপতগী নীংতম্না লৈবা পাম্বা ইন্দিজিনস পীপলস ওফ বিয়াফ্রা (আই পি ও বি) গী সপোর্টরশিং অমসুং মিলিটরিগী মরক্তা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক কয়া তোয়না থোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা আই পি ও বিনা মসিগী মেম্বর মঙা হাৎখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি তৌইগুম্বসুং আর্মিনা ক্লেমশিং অদু শেমজিন-শাজিনবনি অমসুং লাল্লি হায়খি।

আই পি এ বিগী লীদর নমদি কানুবু লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবা ক্রাইম তৌই হায়না মরাল শিখি অমসুং মথং থাদা কেপিটেল অবুজাদা মহাক্কী ট্রাইঅল অমা চথগনি। মহাক হৌজিক বেলদা লৈরিবনি।



হৌখিবা এপ্রিলদা মহাকপু থাদোকখিবদগী টেন্সন হেনগৎলকখি। গভর্নমেন্টনা মহাকপু মহাক্কী বেল কন্দিসনশিং থুগায় হায়না মরাল শিখি।

চয়োল অসিদা সাউদর্ন নাইজিরিয়াদা থোক্লিবা হাৎন-শুনবা অমসুং মী ফাবগী ক্রাইমশিংগী মায়োক্তা লাম্নীশিংনা ওপরেসন কয়া হৌখিবদগী টেন্সনশিংদু লাকখিবা ওইরমগনি হায়না অবিয়াগী গভর্নর ওকেজি ইকপিজুনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না নোংমাইজিং নুমিৎকী থৌদোক অদু 'পাইথোন দান্স-টু' হায়না কোদনেম পীবা ক্রাইম লাকশিনবগী ওপরেসন অমা হৌখিবদগী থোক্লিবনি হায়খি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ট্রুপশিংনা অবিয়া ষ্টেটকী কেপিটেলদা লৈবা উমু আহিয়াদা লৈবা কানুগী ময়ুম পায়শিনখি অমসুং মদু থিংনবা হোৎনখিবা মহাক্কী সপোর্টর মরিসু হাৎখি হায়না আই পি ও বিনা ফোঙদোকখি।

অতৈ মীওই ৫০ দগী ৬০ ফাওবসু থিবা খঙখিদ্রে হায়না গ্রুপ অদুগী ৱেলফ্যের ওফিস ইকেচুকৱু উসৱোহানা এ এফ পিদা হায়খি।

মুভমেন্ট ফোর একচ্যুএলাইজেসন ওফ দ সোভরন ষ্টেট ওফ বিয়াফ্রা (মাসসোব) কৌবা অতোপ্পা সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অমনসু ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌনবা ডিমান্দ তৌখি।

ট্রুপশিং থমজিনবনা সোল্যুসন ওইবা য়ারোই। মিলিটরি ফোর্স উৎপনা ঈরাং হেনগৎহনগনি হায়না মাসসোবগী লীদর উচেনানা এ এফ পিদা হায়খি। মহাক্না মাসসোব অমসুং আই পি ও বি অসি মখোয়গী মরোমদোম লেপচনবগী হকশিং ফোঙদোকচবা ইংন-চিক্না খোঙজং চঙশিনজবশিংনি হায়খি।

মমাঙদা কুমজা ১৯৬৭ তা মনীং-মখা তম্বা রিপব্লিক ওফ বিয়াফ্রা অমা লাউথোকখিবদা মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না শিহনখিবা সিভিল ৱার অমা থোকখি। থা ৩০ চুপ্পা চথখিবা সিভিল ৱার অদুদা শিখিবা অয়াম্বা ইগবোশিং ওইখি।

# সিরিয়ন আর্মিনা আইএস কোইশিন্নবা হোৎনরি : সোর্ছ

দৈইর ইজোর, সেপ্টেম্বর ১৩ :
ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী ব্লোকেদ থুগায়রবা মতুংদা সিরিয়াগী লাম্নীনা দৈইর ইজোর সিটিগী লেমহৌরিবা জিহাদিষ্টশিংনা পায়শিল্লিবা শরুকশিং কোইশিন্নবা হোৎনরি হায়না মিলিটরি সোর্ছ অমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সিটি অসি সিরিয়াগী থাউ মরাং কাইনা থোকপা নোংপোক থংবা দৈইর ইজোর প্রোভিন্সকী কেপিটেলনি। সিটি অসি রশিয়ানা শৌগৎপা সিরিয়াগী ট্রুপশিং অমসুং য়ু এসনা শৌগৎপা ফাইটরশিং অনীমক্না মরুওইবা ষ্ট্রেটেজিক মফম অমনি হায়না লৌই।

হৌখিবা চয়োলদা সিরিয়াগী আর্মি অমসুং মীচং ওইবা ফাইটরশিংনা আই এসকী অথিংবশিং নমহৎতুনা মতম শাংনা জিহাদিষ্টশিংনা পায়শিন্দুনা লৈরকপা মফম অসিদা চঙশিনখি। সিরিয়ন ফোর্সশিংনা সিটি অসিগী রেজিমনা পায়রিবা সেক্সন অনী অমগা অমগা ফাওনহনবা ঙমখি। মদুদগী সিটি অসিদা রিইনফোর্সমেন্টশিং থাজিনখি অমসুং আই এসপু য়ুফ্রেটিজ তুরেলগী পরিংদগী তকথোক্নবা হোৎনরকখিবনি হায়রি।

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Ani Karak, Imphal

ADMISSION OPEN

CLASS XII SCIENCE FOUNDATION COURSE
(3RD BATCH) - 2017

Starting of Class : 11th September, 2017

Special Features :
1) Supply of exam oriented Study Material.
Class Timing : 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
2) No. of Seats : 30 only
*Van Service Available*
Managing Director

We nourish your future

HL-P/2136/19 Aug. to 16 Sept. (Alt.)